HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)


বিক্সিট ভারত - গরেন্টি ফোর রোজগর
অমসুং অজিবিকা মিশন (গ্রামিন) : ভিবি-জি রাম জি
(বিক্সিট ভারত - জি রাম জি) এক্ট, ২০২৫
ভি বি - জি রাম জিগী মখাদা,
লম্বীশিং অমসুং থোংশিংগী কন্সত্রক্সনগীদমক নুমিৎ ১২৫নিগী এমপ্লোইমেন্ট পীরগনি।
মসিনা খুঙ্গংশিং অমসুং সিটিশিংগী মরক্তা কনেক্তিভিটি মপাঙ্গল কনখৎহনগনি অমসুং চাওখৎপগী অপাকপা লম্বী অমা হাংদোক্লগনি।
নুমিৎ ১২৫
গরেন্টিদ ৱেজ এমপ্লোইমেন্ট
CBC 35101/13/0091/2526


Vol. 49, Issue No. 293 | থাংজ, ফাইরেনগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, January 31, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## মীওই কয়াদগী লুপা ক্রোর ২ রোম নমথাক তৌরগা খোমগৎখ্রে হায়দুনা ৱাকৎপদগী পুলিসনা কেস লৌখৎলবসু ইনভেষ্টিগেশন চথদ্রে হায়দুনা কম্মিশনদা ৱাকৎলক্লে

### মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা পুলিসকী ও সী ১সুং কেসকী আই ওনা ফেব্রুৱারী ৫, ২০২৬তা কেসকী ‘ষ্টেটস রিপোর্ট’ পীখৎহন্নবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিদা নোটিস পীখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদসু ‘পোঞ্জি স্কিম’ হায়না খঙনবা মীওই কয়াবু নমথাক তৌদুনা থাজহল্লগা শেল পুথোকহন্দুনা ইনভেষ্টর ওইহনবা অদুগা মখোয়না পুথোক্লিবা শেলশিং অদুদগী হেনগৎনা অকক্নবা মতমগী মনুংদা ফংহনগনি হায়বগী নমথাক তৌদুনা য়াম্লবা শেলয়ামশিং খোমগৎলগা কোইরোৎ-লোইখিবা মীওইশিং য়াওরকপদগী ৱাথোক-লান্থোক মায়োক্নখ্রবা মতুংদা ‘পোঞ্জি স্কিম’ মক্কি হায়বা য়ারবা থৌওং অমদা মীওই খরনা ‘এস বি জি গ্লোবেল’ হায়বা মমিং অসিগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা মীওই ৪৭তগী লুপা ১,৭২,৯১,৪০০ (লুপা ক্রোর অমগা লাখ হুম্ফুতরানিথোই লিশীং মরিফুতরামাথোই চামরি) খোমগৎখিবদা নত্তনা অতোপ্পা মীওই খরদগীসু য়াম্লবা শেনফমশিং খোমগৎখ্রে হায়দুনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনদা অইবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌবদগী পি এস অসিনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবসু কেস অসিগীদমক লৌখৎলকফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীদ্রে হায়দুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদা ৱাকৎলক্লে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরদদি ‘রাইট টু ইনফোর্মেশন এক্ট-২০০৫’ শুরু-শুরু নৈশিল্লগা থল্লব্রা চীংগী হোস্পিটাল ৪গী ৱাহং ১৮ হংবদা পাউখুম পীরক্তে, ফর্ষ্ট আপীল ফাইল তৌরে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সেন্ত্রেল/ষ্টেটকী লৈঙাকশিং অমসুং লৈঙাক্না ফন্দিং তৌবা এন জি ওনচিংবা ‘পব্লিক ওথোরিটি’ ওইরিবশিংদা ৱাহংশিং হংবা য়াহনবগা লোয়ননা ৱাহংশিং অসিগা মরী লৈনবা মখল পুম্নমক্কী দোক্যুমেন্টশিং তানবগী অয়াবা পীরিবা ‘রাইট টু ইনফোর্মেশন’ (আর টি আই) এক্ট-২০০৫ অসি মণিপুরদদি লোয়শঙ খরদা এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিং ঙাক্না চৎলবসু লোয়শঙ খরদদি শুরু-শুরু নৈশিল্লগা থল্লব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

এক্ট অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শেমদুনা চৎনহল্লকখিবা ‘ফ্রীদম ওফ ইনফোর্মেশন এক্ট-২০০২’বু মহুৎ শিনবগা লোয়ননা লৈঙাকপু মীয়ামদা হেন্না ময়েক শেংনা উহন্নবা অমসুং একাউন্টেবল গভর্ণমেন্ট অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা আর টি আই এক্ট, ২০০৫ অসি জুন ১৫,২০০৫দা ইনেক্ট তৌরগা ওক্টোবর ১৩,২০০৫দগী মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোরক্লুনা চৎনবা হৌরকখ্রবনি।




এক্ট অসিগী সেক্সন ৮(১)দা লৈবাক্কী নেশনল সোভরেন্টি, সিক্যুরিটি, ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরেষ্ট নৎত্রগা মপানগী লৈবাকশিংগা লৈনবা মরীদা শোকহনগদবা ইনফোর্মেশনশিং হায়দোকপা য়াদ্রবসু অতৈ হীরমশিংদদি লৈবাক অসিগী মীওই অমনা খঙনীংবা পুম্নমক এক্ট অসিগী মখাদা খঙবা য়াহল্লক্লিবনি।

অদুম ওইনমক উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদগী সোরাম টেকেন্দ্রজিৎ কৌবা আর্মি ওফিসর ওইরম্বদগী থবক্তগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গভর্ণরনা লুচিংদুনা মহাত্মা গান্ধী অমসুং ফ্রীদম ফাইটরশিংবু ইকায়খুম্নখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** মহৌশাদগী পাঙথোরকখিবগুম লৈবাক অসিগী ‘ফাদর ওফ দি নেশন’ হায়না মিঙ্গৌনরিবা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী কুমওনবু নীংশিংদুনা ঙসি মহাক্না লৈখিদবগী ৭৮শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী নীংতম লান্থেংদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম ‘মারটর্স দে’ (সহিদ দিবস) পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। গভর্ণরনা লুচিংদুনা হোল অসিদা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মিতমদা লৈ-শু কৎতুনা মহাকপু ইকায়খুম্নখি।

থৌরম অসিদা এম এল এশিং - গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এস কুঞ্জকেশোর অমসুং টি ঐচ শান্তি য়াওনা চীফ সেক্রেটরি ডা. পুনীট কুমার গোয়ল, সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিশলশিং য়াওনা মরু ওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা মহাত্মা গান্ধীদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখি।

থৌরমগী মনুং চন্না লৈবাক অসিগী ফ্রীদম ফাইটরশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা শৈথা ঈশৈশিং শকখিবগী মথক্তা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরমগী মনুং চন্না মহৌশাগুম্না সাইরেন খোংদুনা মীয়ামদা থৌরম অসিবু নীংশিংহনখি। সাইরেন খোংলকপা মতমদা মসিবু তাবা মফমদা লৈবা লম্বীশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌখিবা মীওইশিং লেপ্পুনা লৈনখি।



## কুম্বী কোলেজদা ‘নো এস টি নো ভোট’
## ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট কুকিশিংদা সিটিজেনশিপ পীরিবা লৈঙাক থেংনমিন্নসি : এম এম টি য়ু

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদগী মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৪২(১) গী মখাদা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু) না নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা হৌদোকখিবা ‘নো এস টি নো ভোট’ কী কেম্পেয়ন ঙসি কুম্বী কোলেজদা পাঙথোকখ্রে।




ঙসিগী কেম্পেয়নদা কোলেজ অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল এ জিবনকুমার, এম এম টি য়ুগী প্রসিদেন্ট এস গৌরকিশোর, ত্রেজরর টি ঐচ গোপিমোহোন, সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেশন) এম চুরামনি অমসুং ওর্গনাইজেশন সেক্রেটরি টি পরিজাৎনা মরু ওইবা ৱাঙাঙলোইশিং ওইখি। কেম্পেয়ন অসিদা কোলেজ অসিগী ওজা, ষ্টাফশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

ৱা ঙাঙখিবশিংগী মনুংদা টি পরিজাৎনা হায়, এম এম টি য়ুগী স্কুল অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## রাজ্য সভাগী ওফিশল ৱেবসাইটতা মণিপুরী লোল য়াওরে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):** অনৌবা চহী ২০২৬ হৌগৎলকপগা ইরোয়ননা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস ওইরিবা রাজ্য সভাগী দিজিটেল সংসদ প্লেটফোর্মদা নেভিগেশন অমসুং কন্টেনগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লকপা লোলশিংগী মনুংদা মণিপুরী লোলসু য়াওরে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা রাজ্য সভাগী ৱেবসাইট অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## অকোইজম নোঙানববু মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা কেসকী ৱায়েল ফেব্রুৱারী ৫দা চথরগনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):** শীংজমৈ পি এসনা কোল্লিবা ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দগী অকোইজম নোঙানবা, অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কে লানঙম (এক্স মিনিষ্টর) বু মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরগা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেশনদগী কিলোমিটর ৩ লোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা চঙৌবুং খুলগী মফম অমদা থল্লম্বদগী ফেব্রুৱারী ১২, ২০২৩দা ফংখিবা থৌদোক্কী মতাংদা কাংপোকপী পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলবসু থৌদোক অসিদা



চেন্নরিবশিংগী মনুংদা এন এস সী এন - আই এমগী কাদরশিং য়াওবনা কেস অসি এন আই এদা খৃৎশিন্নহনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপা পিটিশনগী মখা তাবা ৱায়েল মথং থাগী ৫দা চথুগদৌরি।

পিটিশন অসি লৈখিদ্রবগী অপোকপী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## হোম গার্দকী ৭শুবা রিমেম্ব্রেন্স দে অমসুং ৱেলফেয়র স্কিমগী শেনফম য়েন্থোকপদা অয়েৎপা পীরক্তনবা লিগেল নোটিস পীখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদগী পাঙথোরকখিবগুম মথং থাগী ১গী অয়ুক পুং ১১.৩০দগী হৌরদুনা হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোক্নদৌরিবা মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএশন অমসুং হোম গার্দ ৱেলফেয়র স্কিম কম্মিটিনা শীনবা ৭লক শুবা রিমেম্ব্রেন্স দে অমসুং হোম গার্দ ৱেলফেয়র স্কিমগী শেনফমশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা মখল অমত্তগী অয়েৎ অপন পীরক্তনবা মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি কম কম্মান্দেন্ট জেনরেল (হোম গার্দস), কম্মান্দেন্ট (হোম গার্দ-ভি এ) দা লিগেল নোটিস অমমম পীখ্রে হায়রি।

লিগেল নোটিস অসি এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিশল অনী য়াওনা হোম গার্দস (ভি এ) গী কম্মান্দেন্টদা ওফিশল ওইনা পীখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাগী ২৩দা কম্মান্দেন্ট (হোম গার্দস-ভি এ) গী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমদা হোম গার্দ পর্সনেলশিংনা পাউগী মীফম পাঙথোকপা য়াওনা এসোসিএশন অসিগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবদা কম্মান্দেন্টদা মাঙজৌননা খঙহল্লমগদবনি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা ৱেটলেন্দশিং ঙাক শেন্দুনা থমসি : টি ব্রজকুমার




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা চহী অমদা ১৪০০ এম এমদগী ১৬০০ এম এম রোমগী চাংদা নোং চুরবসু ৱেটলেন্দশিং নীংথিনা য়োকখৎতুনা থমহৌদবদগী নোং লিক্লা চুবা মতমদা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নবা অমদি নোং কা হেন্না চুরগনা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়রদুনা চৈথেংশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা ৱেটলেন্দশিং ঙাক শেন্দুনা থমসি হায়না লৈঙাক্কী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ লোয়শঙগী দিরেক্টর ডা. টি ব্রজকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মথং থাগী ২দা মালেমগী ওইনা পাঙথোক্নদৌরিবা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দেগী মাঙওইননা লোয়শঙ অসিনা শীন্দুনা ৱেটলেন্দস এন্দ ত্রেদিশনেল নোলেজ : সিলেব্রেটিং কলচরেল হেরিটেজ হায়বা য়ুনাইটেদ নেশন্সকী থিমদা ষ্টেটকী থাক্তা কোলেজ ১০গী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা লোয়শঙ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঙসি শিন্থা লেপ্পীয়ু হায়জবদা ওইল পম্পশিং কোনশিল্লোই : কোকোমি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** মণিপুর মীয়ামগী খ্বাইদগী চাউবা লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) না মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না হয়েং চৎকদৌরিবা মণিপুর কনবা খোঙচৎ অসিদা মীয়াম্না শিন্থা লেপ্পীদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রবসু শিন্থা লেপ্পীয়ু হায়জরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ওইল পম্পশিং থোঙ লোল্লরোই : ফ্রেটর্নিটি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পেট্রোলিয়ম দিল্লরস ফ্রেটর্নিটিনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হয়েং কোকোমিনা শীন্দুনা চৎকদৌরিবা মণিপুর কনবা খোঙচৎ অসিবু শৌগৎলকপগা লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা পেট্রোলিয়ম দিল্লরশিংনা হয়েংগী ওইনা রেল্লি মনুংদা নোংমা চূপ্না সেল অমসুং সর্ভিস সস্পেন্দ তৌগনি হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরদুনা থা খুদিংগী অহানবা ১সুং ৩শুবা থাংজ নুমিত্তা হায় কোর্টকী সিট্টিং লৈরগনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী মন্ত্রিপূখ্রিদা লৈবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওজেস মুতুমনা ঙরাং থোকপা নোটিফিকেশন অমগী মতুংইন্না মথং থা - ফেব্রুৱারীদগী হৌরদুনা ইংলিস কেলেন্দরগী থা খুদিংমক্কী অহানবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গেজেটতা য়াওদবা খুলশিং তকথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):** ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুরনা ঙসি গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ওফিশল গেজেট নোটিফিকেশনদা য়াওদবা খুলশিং অথুবা মতমদা ইভিক্সন তৌবীয়ু হায়জখ্রে।

## য়ু জি অমা ফারে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হৈনৌপোক মনীং লৈরক্তগী খাইদেম অজিৎ কুমার এলিয়জ এদিশন এলিয়জ অবাল (২৫) কৌবা কে সী পি-অপূনবগী কাদর অমা মহাক্কী লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## আই দি পিশিংদা শেল খরা পীবনদি ঐখোয়গী তুংগী পূন্সি শেমগৎপা ঙমদনা অচৌবা শেন্মীৎলোন শোকচিনবগী ফীভম থোরকপা য়াই

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
তোর্বুং কৈথেল মমাঙ লৈকায়দগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ফাওবদা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তাঙ্কক অহুল্লক্তা থা অদুগী মনুংদা মশা-মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহনগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রবসু আই দি পি খরখক্তমক হোংজিলহল্লগা অয়াম্বা আই দি পিশিংদি হৌজিকসু রিলিফ কেম্পতা অদুমক লৈহল্লকপদগী পাউচে অসিনা আই দি পিশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা মখোয়গী পূক্নিংগী ৱারোল খঙদোক্তুনা মীয়ামদা পাউদল্লকপা ‘হকথেংনবা পাউদম’ গী মখা তারকপদা হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী




দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদ্যুকেশনদা বিএদ মরিশুবা সেমিষ্টরদা তম্লিবী তোর্বুং কৈথেল মমাঙ লৈকায়দগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা তেরা খোংশাংবী মমাঙ লৈকায় রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবী সুপারানি য়ূম্নাম (২৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই সুরঞ্জয় মৈতৈ, অপোকপী য়ূম্নাম ওংবী সুবদনি লৈমগা উন্নরুবদা মহাক্না পাউচে অসিদা হায়, হৌজিক লৈঙাক্না আই দি পিশিংগী থাগী ওইনা মী অমমমগী লুপা লিশীং ২ খরা হেন্না পীরক্লিবসিনা হিংবা ফাওবদি কোন্ননবা য়াম্না ৱানা হোৎনরি। মরক অসিদা অহেনবা এদমিশন ফীগী ওইরবসু অমসুং এগজামিনেশনগী রেজিষ্ট্রেশন তৌববু ওইরবসু নৎত্রগনা অরুবা লায়না মায়োক্নরক্লবদি শেল পুফম থিবা নত্তনা অতোপ্পা পান্থে লৈতে। মীঙোন্দগী পুগদবসু অৱা অনা মায়োক্নরগা লৈনবা ঙাক্তনিনা হংফমসু লৈতে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্না আই দি পিশিং অসিগী মৈ চাকখিবা য়ূম অমদি অকাই অতোই থোকপশিংগী য়েংলগা ... (মথং-মথং)

## ‘কে এফ সী’ লৈননবা ক্যু লেপ্পখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা কে এফ সী (কেন্টুক্কী ফ্রাইদ চিক্কন) হৌদোরকখিবা চহী ১৫ মপূং ফারকপা ঙসিগী নুমিৎতা নোংমগী ওইনা মসিবু লৈরবা মীওইশিংদা অমা লৈবদা অমা লেম্না হাপ্পগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখিবা মতুংইন্না ঙসি মণিপুরদসু কে এফ সীগী দুকান হাংবা মফমশিংদা অঙনবদগী হৌনা খুদোংচাবা অসি ফংদুনা কে এফ সী লৈহৌনবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীয়াম্না ক্যু লেপ্পখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## এনগেজমেন্ট টর্মিনেশন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):** লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (লো) অরুন কুমার সিনহানা ঙরাং থোকপা ওর্দর অমদা সিনিয়র কাউন্সেল রারি মংশাতাবমবু ষ্টেট ওফ মণিপুরগী কাউন্সেল ওইনা এনগেজমেন্ট তৌরকখিবদু খুদক্তগী টর্মিনেশন তৌরে হায়রি।

মরম অসিনা মহাক্কী এনগেজমেন্টবু টর্মিনেশন তৌরবনিনা কেস রেকোর্দ পুম্নমক য়াওনা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী কাউন্সেল ওইনা মহাক্কী কষ্টদিদা লৈরম্বা কেসশিংগা মরী লৈনবা ফাইল অমসুং অতোপ্পা দোক্যুমেন্টশিং এদভোকেট জেনরেলগী ওফিসতা খৃৎশিন্নরক্কদবনি হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫